## Part – IV / ভাগ – IV

## Language – I / ভাষা – I

## MANIPURI / মণিপুরী

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি পার্ট-**IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

সংসারগী মশক ওইরবা হ্রু পান্দী অসিদা অমৃতগা মান্নবা মহৈ অনিখক য়াল্লী, নুংঙাইবা ৱারেং পাবা, অফবা মীগা ৱারী শাবা। চুম্নগী ৱাহৈ নত্তে। মদুগী মরম নীংথিনা খঙলবা মী পুম্নমক্কীদি য়াম্না চুল্লবা ৱাহৈনি। নাইতোম লৈবা জীবশিংগী নুংঙাইবা থবক নত্তে। মখোয়গী হৌনবিসু নত্তে। শা, উচেক, তীল কৌজেং পুম্নমক সঙ্গু সঙ্গু চৎপা উই। মীসু জীবনি, মাগী মরুপ মপাংগা তিন্নদুনা চামিন, থকমিন্নবা, হরাত্ত কুম্মৈ তৌবা পান্মী। সংসারদা লৈরিবা মীদি নাইতোম লৈবা পামদে, লৈবসু য়াদে। তিন্ননা লৈমিন্নদুনা অমগা অমগা ৱারী ৱাতাই শানৈ; অমনা অমগী মতৌ তম্নৈ; অসুম্না অমনা অমগী মতৌ তম্নদুনা লৌশিং পোকনৈ অমসুং মাগী মাগী চৎকদবা লীচৎ অদু শেমগতনৈ। মতম কুইনা মী অমগা তোৎনদুনা লৈরবদি ঐখোয়না মী অদুগী শাজৎ, লীচৎ লমচৎনচিংবা মতৌ তমদবা ঙমদে। অমুক মীগী মতৌ তম্বা হায়বসিসু মীত্তইবগী মহৌশাগী ধর্ম্ম অমনি। মসিনা মীওইবগী চাওখৎপগী লম্বীনি। অমনা অমগী মতৌ তম্বা হায়বা অসি জীবশিংগী লু তোংদা পকখ্রবা মহৌশাগী মচৎনি, মসি জীবনা থাদোকপা ঙমদে। অশেংবা অমসুং পুকচেল ফজবা মীগা তওনা তোৎনবগী ওইথোক্তবা পাঙ্গল অদু মসিদগী খৎবা ঙম্মী।

অফবা সঙ্গ তিন্নবদগী ফওবা কয়ানা মীকোক থোংবা ঙমখিবা, ফওবা কয়ানা মীরম লাইরম অনিমক মাঙদুনা লৈখা তাখিবা পুন্সিগী নিতিগী থৌদোক খুদিংদা উবা ফংঙি। কবি শগৈগী গুরু বাল্মীকি হায়বা অদু অহানবদা রত্নাকর দস্যু হায়না খঙনরম্মি। হূরান্দুনা অমসুং মী হাত্তুনা পাল্লমী। নোংমা পুকচেল শেংবা সাধু খরগা তিন্ন তোৎনরুবদগী লৌশিং পোক্তুনা মমৈদা অফবা সঙ্গ তিনখি। লাইরিক লাইশু পাদুনা মমৈদা পৃথিবী অপুম্বনা ঈরাৎনরবা কবিগী খুবম ফংবা ঙমখি। ফত্রবা জুগাই মাধাই মচীন মনাওনা গৌরনিত্যাই তিন্নরুবদগী হরিনাম ফংদুনা লানখি। অওইবমক অফবা সঙ্গগা পান্দমনিংঙাই তেংবানবদা অমা লৈতে। তীলনা লৈগ তিন্নজবনা শ্রীগোবিন্দগী কোক্তা থৌগন তৌবা ঙম্মী, উগা মরুপ ওইবনা অরূপ্পা য়োৎপী ঈশিংদা ইরায় লায়না তাডই হায়বা অচুম্বমকনি। সঙ্গনবু ফত্রবদি অফবা পাউতাক পুম্নমক অসি মী অদুদা চঙবা লৈতে। তিন্নবা সঙ্গনা ফত্রবদি মহৈ হৈদুনসু মহৈ অদুনা লৈবাক্কী মাঙনবা ওই। অদুনা অফবা সঙ্গ তিল্লু হায়বা অসিগা মান্ননা কান্নবা পাউতাক লৈত্রে।

**91.** সংসারদা লৈরিবা শা, উচেক, তীল, কৌজেং জীবশিং অসি করম্না চৎপা উবগে ?

(1) তোঙান তোঙান্না চৎপা উই।

(2) পুন্না চৎমিন্নবা য়াদে।

(3) সঙ্গু সঙ্গু চৎপা উই।

(4) অমত্তা পুন্না চৎমিন্নদে।

**92.** সসারদা মীওইবনা নাইতোম লৈবা পাঙ্রা ?

(1) পামলম্মী।

(2) পামদে।

(3) শঙ্গু শঙ্গু লৈরম্মী।

(4) হয়াত্ত কুম্মৈদা থৰায় লুপলখী।

**93.** মীওইবগী মহৌশাগী ধর্ম্ম অমনা করিনো ?

(1) মতৌ তম্বা হায়বসিনি।

(2) পুল্লপ পুল্লপ লৈমিন্নবা হায়বসিনি।

(3) মীনুংশি উৎপনি।

(4) লমচৎ লৌনবনি।

**94.** কবি শাগৈগী গুরু বাল্মীকি অহানবদা করি হায়না খঙনরম্বগে ?

(1) রামায়ন ইবা মীশকনি হায়না খঙনরম্মী।

(2) লায়রবা মীশকনি হায়না খঙনরম্মী।

(3) রত্নাকর দস্যু হায়না খঙনরম্মী।

(4) কনমত্তনা মাবু মশক খঙনরমদে।

**95.** ফত্রবা জুগাই মাধাই মচীন মনাত্তনা কনাগা তিন্নরুবদগী হরিনাম ফংদুনা লানখিবগে ?

(1) গৌরনিত্যাই

(2) রামকৃষ্ণ

(3) বাল্মীকি

(4) রাধা কৃষ্ণ

**96.** "অরূপ্পা য়োৎপী ঈশিংদা তাউই ?" করি সেন্তেসনো ?

(1) এক্সক্লেমেটরী সেন্তেন্সনি।

(2) ইন্টরোগেটিভ সেন্তেন্সনি।

(3) দিক্লিয়ামেটরি সেন্তেন্সনি।

(4) ফ্রেজেল সেন্তেন্সনি।

**97.** সঙ্গনবু ফত্রবদি অফবা পাউতাক পুন্নমক অসি মী অদুদা চঙবা লৈতে। ৰাফম অসি য়ানিংব্রা ?

(1) য়ানিংই।

(2) য়ানিংদে।

(3) তঙ্খায় লাল্লি।

(4) ফওবা মী অদু খরদি ফরকপগী লওংদা লাকই।

**98.** 'শ্রীগোবিন্দ' হায়রগা ৱারেং অসিগা মৰী লৈননা - কনাবু খঙনবগে ?

(1) রামকৃষ্ণ

(2) শ্রী কৃষ্ণ

(3) অইবা মীশক

(4) ৱাখলনা শগৎপা মীশক অমা

**99.** সংসারগী মশক ওইরবা হূ পান্বী অসিদা অমৃতগা মান্নবা মহৈ কয়া পানবগে।

(1) অমখক পাল্লি।

(2) অনিখক পাল্লি

(3) অহুমখক পাল্লি

(4) মরিখক পাল্লি

105. শৈরেংশিদা য়াওরিবা 'নঙ' হায়রিবসি কনানো ?

(1) কবিনি

(2) ঈশ্বরনি

(3) মীয়ামনি

(4) কনাসু নত্তে

106. মমালোন্দা য়ুম্ফম ওইবা লেনময়াম তম্বা হায়বসি করিনো ?

(1) মমালোন্দমক তম্বনি।

(2) মমালোন শিজিন্নৰগা তম্বনি।

(3) হান্না মমালোন তম্লগা কোন্না লোন হেন্না তম্বনি।

(4) লোন ময়ায় অমদি মপানগী (foreign) লোনশিং মমালোন ওইনা তম্বদুনি।

107. লোনসি স্কুলগী লাইরিক তম্বগী যৌশিলদা

(1) লোন ময়াম তম্বগী ওইনা খংনৈ (Multilingual Education)

(2) লাইরিক তম্বদা (Education) লোন খংনৈ।

(3) মমালোন্দা য়ুম্ফম ওইবা লোন-ময়াম খংবগী ওইনা খংনৈ।

(4) লোন অহুমগী ফোর্মুলা ওইনা খংনৈ।

108. লোন পুন্না খংবগী মওংসি

(1) মহৈরোইশিংদা লোনগী ময়েক, খোম্থোক্তগী ৰাহৈশিং ফ্রেজেশিং অদুদগী ৰাহৈ পরেংশিং তম্মী খনবদগীনি।

(2) লোনগী অশাংবা কয়াৎশিংদগী মহৈরোইশিংনা অপিকপা খুজিংশিং হায়বদি খোম্থোক অমদি ময়েক তম্মী খনবদগীনি।

(3) লোন তম্বসি খ্বাইদগী পিকপা খুজিং ময়েক্তগী হৌই খনবদগীনি।

(4) লোন লোইনমক চপা মান্নবা মওংদা তম্মী হায়না খনবদগীনি।

109. মখাগীশিং গীদগী করম্বা মতম্বীনা চিন্‌ফা পুবসি **(memorisation)** করম্বা লোন তম্বগী মওংনো ?

(1) স্ট্রকচরেল মতম্বীনি।

(2) গ্রামার ট্রান্সলেসন মতম্বীনি।

(3) কম্যুনিকেটিভ মতম্বীনি।

(4) তোতেল ফিজিকেল রেসপেন্স মতম্বীনি।

**110. মালেমঙাম্বীসি লোনগী ওজা নি । মহাক্না হিরম কয়াগী ৰাহৈশিং পুথোক্লবা মহৈরোইশিংদা হায় । অদুগা করম করম্বা ৰাহৈশিং পুন্না য়াবগো হায়বদু পুথোকউ হায় । মসিগী মতম্বীগী মওংসি করি হায়না খংন্নবগে ?**

(1) পুন্না শিজিন্নবা য়াবা ৰাহৈশিং (collocation)

(2) ৰার্দ ৰেব

(3) ৰার্দ প্লে

(4) ৰাহৈ শেম্বা (Word formation)

**111. ওজা অমনা মহাক্কী মহৈরোইশিংদু কয়াম খংলবগে হায়না লোনগী চাংয়েং তৌই । মহাক্না পেরাগ্রাফ অমগী মঙা শুবা ৰাহৈ খুদিংমক লৌথোকই অদুগা মহৈরোইশিংদুদা লৌথোকখ্রিবা ৰাহৈশিংদু মেনশিনলু হায় । মসিগী চাংয়েংসি করি হায়না খংনবগে ।**

(1) পাবা হৈরব্রা খংনবা চাংয়েং (Reading comprehension)

(2) ৰাহৈ খংলব্রা খংনবা চাংয়েং (vocabulary test)

(3) অহাংবা মেল্লু হায়বগী চাংয়েং

(4) ৰাহৈ লৌথোকখ্রিবা অহাংবা মফমদুদা চপ চাবা ৰাহৈ হাপজিনবা চাংয়েং (cloze test)

**112. ৰাঙাংবদা অচুম্বা খোম্থোক্না লোইন্ননা চপ-চাবা ৰাহৈশিং চপ-চাবা মথং-মনাও শিজিন্নবসি**

(1) হকচাং লেং-ওৎপদগী খংবা লোননি (body language)

(2) লোন ঙাংবগী মওংনি ।

(3) লোনগী মথৌনি ।

(4) লৌন শিজিন্নবনি ।

**113. ৰারি লিবসি লাইরিক তম্বগী পাম্বে ওইনা শিজিন্নরিবসি**

(1) অঙাংশিংবু তাহন্নবগী তৌবনি ।

(2) অঙাংশিংগী ঙাংবগী হৈশিংবা হেনগৎহন্নবনি ।

(3) লোন অমসুং ময়েক চৎনবা ঈবা পাবা থোক্লবা হেনগৎহনবগীনি ।

(4) ক্লাসতা থকসি খাসি হৈহন্নবনি ।

**114. গ্রামার য়াওফমদা (Grammar in context) হায়বসি**

(1) হনজিন-হনাজিন ঔরাইরগা গ্রামার তম্বনি ।

(2) হান্না মওং (form) তম্লগদা function দা লাকপনি ।

(3) লোন্দগী মাগী মওংশিং (forms)য়েংলগা মদুদা য়াওবা খুদমশিংদগী তম্বা অমসুং য়াওফমদগী (context) খংন্নবা হোৎন্নবনি ।

(4) মহৈরোইশিংনা মওংসি (form) কয়াৎনাইনা তমদুনা মথং-মথং তমখৎলকই ।

**115. মখাগী শিংসিদগী করম্বনা স্কীল রাইতিং নওবগে ?**

(1) ওজানা তাক্লীঙৈদা ইশিনবা

(2) পারিঙৈদা ইশিনবা

(3) সিনোপসি অমা ইবা

(4) থৌদোক অমগী থৌরম পরেংশিং ইবা

**116. টেক্সবুক ইবশিংনা অতোপ্পনা হান্না ইবা টেক্স, শৈরেংশিং অমসুং থৌদোকশিংগী ৱারি অমদি পাওচে অমসুং মেগজিন্দা ইরকপা ৱারিশিংসি মতমশৈবা খিবিক্তা য়াওহনলিবসি করিগীনো ?**

(1) মখোয়সি অচুম্বা অমসুং মহৌশাগী লোননি।

(2) টেক্সবুক ইবশিংনা মখোয়বু পাম্বগীনি।

(3) মখোয়সি লাইরিক পাবগী মওং কয়াদা মতেং ওই।

(4) মখোয়শিংসি পাবদা চান্নে।

**117. ওজানা টেক্স অমা মহৈরোইশিংদা পাই অদুগা মহৈরোইশিংনা পুন্না পোইন্ট ইশিল্লগা ৱরি অমুক শাগৎলি।**

(1) ডিকটেসননি।

(2) গ্রামার ডিকটেসননি।

(3) অমুকহন্না ইবগী মওংনি।

(4) অমগা অমগা ডিকটেসন তৌন্নবনি।

**118. অহান্বা লোন খৰবা হৌবসি**

(1) তম্বদগীনি (Learning)

(2) মহৌশানা মথন্তা খংজরকপদগীনি (Acquisition)

(3) খরা-খরা খংলগা হেনগৎলকপদগীনি। (Development)

(4) পূক্নিং লৌশিং হেনগৎপদগীনি।

**119. ক্লাস অমদা মমালোন তোঙান তোঙান্না ঙাংবা অঙাংশিং ওজা অমনা তম্বী। মহাক্না মহৈরোইশিংদুদা মখোয় মখোয়গী মরোন্দা মথং-মথং নুংঙাইবা ফোংদোকনৌ হায়। মহৈরোইশিংদুনা নুমীৎ খুদিংগী লোনশিংদুগী ৱাহৈংশিংদু খংনবা হোৎনৈ। ওজগী মতম্বীসি করম্বা পাম্বৈনো ?**

(1) লোন ময়াম খংহন্নবগী মতম্বীগী পাম্বৈ নি।

(2) লোন ময়াম ঙাংবনি।

(3) মখল-মখাগী পাম্বৈনি।

(4) লোন অমখক্তং ঙাংবনি।

**120. মহৈরোইশিংদা খ্বাইদগী মওং তাদনা লোন তম্বীবগী মতম্বীসি করম্বনো ?**

(1) রাইম অমসুং ঈশৈ তম্বীবনি।

(2) শিজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অমসুং ৱাহৈ পরেংশিং তম্বীবনি।

(3) ময়েক তম্বীবনি।

(4) ঙাংবগা তাবগা তৌহনবনি।

**122. করি মরমদগী ঔৰানা মণিপুর মাইথিবা পীদুনা জয় তৌখিবনো ?**

(1) গম্ভীরসিংহনা ঔৰা যুবরাজগা ঙাঙনবা ৰা শোয়বদগী

(2) নরসিংহনা ঔৰা যুবরাজগা ঙাঙনবা ৰা শোয়বদগী

(3) চৌর্জিৎনা ঔৰা যুবরাজগা ঙাঙনবা ৰা শোয়বদগী

(4) মার্জিৎনা ঔৰা যুবরাজগা ঙাঙনবা ৰা শোয়বদগী

**123. চৌর্জিৎ মার্জিৎ অনী অসি করি মরী থোক্লবগে ?**

(1) মপা মচানি

(2) মচীন মনাওনি

(3) নিংথৌ অমদি যুবরাজনি

(4) মরী অমত্তা থোক্লদে

**124. চৌর্জিৎনা ঔৰানা খুদুম চনখ্রবা মণিপুরবু করিগীদমক উদ্ধার তৌবা ঙম্লোই খল্লিবনো ?**

(1) ঔৰা কিবদগী

(2) গম্ভীরসিংহ কিবদগী

(3) অহল ওইরকপদগী

(4) প্রজা ময়াম কিবদগী

**125. 'উদ্ধার' ৱাহৈ অসিগী অর্থ ইয়ু**

(1) নিংতমহনবা

(2) মাইথিহনবা

(3) মীঙোন্দা লৈপাক শিন্নবা

(4) সেনাপতি ওইবা

**126. "ঐগী দোষতগী মণিপুর প্রজানা অসি য়ৌনা ৱাখ্রিবনি।" ৱাফম অসি কনানা হায়খিবনো ?**

(1) চৌর্জিৎ (2) মার্জিৎ

(3) গম্ভীরসিংহ (4) নরসিংহ

**127. "ননাই ঐনা শ্রীষুৎকী ৱাশক অসি থুংহনবা ঙমগনি নীংজদ্রে।" পীরীববা ৱাহৈ পরেং অসিদা নেগেতিব য়াওবা ৱাহৈদু করম্বনো ?**

(1) ৱাশক

(2) থুংহনবা

(3) ঙমগনি

(4) নীংজদ্রে

**128. 'মাতৃভূমি' ৱাহৈশিগী অর্থ মখাদা পীরিবশিং শিদগী খল্লগা ইয়ু।**

(1) মণিপুর লৈপাক (2) ইমা লৈপাক

(3) তখেন লৈপাক (4) অৰা লৈপাক

কোলোরাডোগী মাইনিং তৌবা টাউন সেন্ট্রেল সিটিদা, ইংশোক ১৮৭১গী নবেম্বর ৯দা ফ্লোরেন্স রেণা সাবিন পোকখি। ফপা জোর্জ সাবিন মাইনিং ইঞ্জিনিয়ারনি, মমা সেরেণা মইনরনা স্কুলগী ওজানি। ফ্লোরেন্সনা চহি ৭ চংলকপদা মমা প্যুরপরেল ফিভরদগী শিখি। মচে মেরিগা মহাক্না মখুরা অল্বার্ট সাবিননা ছিগাগাদা, মথংদা মপা পোকপা মবোক মধৌনা ভর্মোন্তদা য়োকপিরকখি। ভর্মোন্ত একাডেমিদা মহে তম্বা হৌখি। অহানবদা পিয়নিস্ত ওইগে খল্লম্মি। স্মিথ কলেজদগী জুলোজিগী হিরমদা ইংশোক ১৮৯৩ দা বিএসি ডিগ্রী লৌখি। মতম খৰ মেডিকেল তম্নবগী ট্যুসন ফি তুংশিন্নবা ডেনভরগী হাইস্কুল অমদা লাইরিক তম্বীবগী থবক তৌখি। ইংশোক ১৮৯৬ তা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটি দা মেডিকেল তম্নবা মীং চনখি। ইংশোক ১৯০০দা জেঐচ য়ুদগী এমডি লৌখি। মথংদা জেঐচয়ু হোস্পিটালদা ইন্টর্নসিপ তৌখি। ইংশোক ১৯০৩দা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী অহানবা নুপী ওজা ওইরে, ইংশোক ১৯০৫দা এসোসিয়েট প্রোফেসার, অদুগা অদুগা ইংশোক ১৯১৫দা হিষ্টোলোজিগী ফুল প্রোফেসার ওইরে। ইংশোক ১৯২৫দা রোকফেলর ইন্সটিট্যুটতা রিছার্চ তৌবা ইহান হানবা নুপী সাইন্টিষ্ট ওইখি, ইংশোক ১৯৩৮ ফাওবা থবক তৌরগা থবক্তগী পোত্থারগা হৌরপফম ময়ুম লমদম কোলোরাডোদা হনখি। রোকফেলরদা থবক তৌবা মতমদা, সাবিন্না লিম্ফেটিক সিষ্টেম, ঈ-উতোংশিং অমদি সেলশিং অমদি ট্যুবরকুলোসিসকি মরমদা কুপ্না থিজিন হৌমজিনখি। টিবিগী মহিক্তগী থোরকপা কেমিকেল কয়াগা ইম্যুন সিষ্টেমগা করম্না লান্থেংনবগে হায়বসি কুপ্পু নৈনদুনা খংনবা হোৎনখি। সাবিনগী রিসার্চতগী পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংগী ব্রেনষ্টেমগী থ্রি ডাইমেন্সনেল মোডেল অমা শাগৎপা ঙমখি ইংশোক ১৯৩৮দা কোলোরাডোদা অমুক হন্দুনা মীয়ামগী হকশেল ফগৎহন্নবগী পাউজেল্লোই অমদি থৌবুরোই ওইনা মাংজিন থাবা থবক কয়া তৌখি। মাগী থৌনা ফবা খোঙথাং কয়াদগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা কোলোরাডোদা পব্লিক হেলথ প্রোগ্রাম পাইখৎনবা আইন পুথোকখিবনি। ওক্টোবর ৩ ইংশোক ১৯৫৩ দা লময়ানবী ডোক্তর সাইন্টিষ্ট অসিগী তাংলবা পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ লাকখি।

**129.** ফ্লোরেন্স সাবিনগী মপা জোজ সাবিন কবি থবক তৌরম্মী ?

(1) সিভিল ইঞ্জিনিয়ার

(2) মাইনিং ইঞ্জিনিয়ার

(3) ইলেক্ট্রিকেল ইঞ্জিনিয়ার

(4) মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়ার

**130.** ফ্লোরেন্স সাবিননা চহী তরেৎ শুরকপদা মমা লৈখিদে। করি লাইননো নাবদগী লৈখিদবনো

(1) তাইফোদ

(2) মেলেরিয়া

(3) ফিভর

(4) কোলেরা

**131.** ইংশোক ১৯০৩দা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিদা অহানবা নুপী ওজা কনানা ওইখি।

(1) হেলেন ফ্রি

(2) ইউসেনি ক্লাস

(3) মোড মেন্টেন

(4) ফ্লোরেন রেনা সাবিন

**132.** ফ্লোরেন্স সাবিননা হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিদা হিষ্টোলোসিগী ফুল প্রোফেসার শোক কয়াদা ওইখিবগে ?

(1) শোক ১৯১৫

(2) শোক ১৯১৪

(3) শোক ১৯২০

(4) শোক ১৯২৫

**133.** ফ্লোরেন্স রেনা সাবিননা মীয়ামগী হকশেল অমদি মাংজিন থাবা থবক কয়া তৌনবা পোক্লফম লমদমদা অমুক হল্লকখি। মহাক্কী পোক্লফম লমদুগী মমিং করি কৌই।

(1) ৱাশিংটন

(2) কানাডা

(3) কালিফোরনিয়া

(4) কোলোরাডো

**134.** ফ্লোরেন্স সাবিন ইংশোক কয়াগী তারিখ কয়াদা লৈখিদবগে

(1) ওক্টোবর তাং ৩, ১৮৯৩

(2) ওক্টোবর তাং ৩, ১৯৫৩

(3) ওক্টোবর তাং ৩, ১৯০৭

(4) ওক্টোবর তাং ৩, ২০০১

**135.** ফ্লোরেন্স সাবিন শোক কয়াদা পোকখি ?

(1) ১৮৭১গী নবেম্বর ৯

(2) ১৮৯১গী নবেম্বর ৯

(3) ১৭৯১গী নবেম্বর ৯

(4) ১৯৭১গী নবেম্বর ৯

**136.** কন্স্টিট্যুসনগী আরটিকল ৩৪২(২) গী মতুংইন্না য়াহনলিবসি

(1) হিন্দিসি ওফিসিয়েল লোন অমা ওইনা

(2) হিন্দিসি এসোসিয়েট ওফিসিয়েল লোন অমা ওইনা

(3) ইংলিশসি ওফিসিয়েল লোন অমা ওইনা

(4) ইংলিশসি এসোসিয়েট ওফিসিয়েল লোন অমা ওইনা

**137.** মখাগী শিংসিদগী করম্বনা ক্লাসিকেল লোনগী পান্থৈ ওইদবগে ?

(1) চহী লিশিং ১৫০০ দগী ২০০০ ফাওবগী পুৱারি অমদি অইবা সাহিত্য লৈবনি।

(2) অরিবা সাহিত্য অমদি অশাংবা শৈরেংগী মওংদা ইবা অকন অথৌগী নত্রগা লৈবাক্কী ওইবা ৱারি মপুম লোন্দুদা লৈবনি।

(3) লোন্দু সেদ্যুল লোন্দা চনলোইদবনি।

(4) মশাগী ওইবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা সাহিতিক ওইবা লোন ওইগদবনি অমসুং লোন অতৈদগী পুরোইদবনি।

**138.** মহৈরোইশিংগী তাবগী হৈশিংবসি

(1) চাং নাইনা ঔরাইবনি।

(2) ৱারি অমা লিরগা খংব্রা য়েংনবা ৱাহং হংবনি।

(3) অহেন্বা পানবা খুদোংচাবা পিবনি।

(4) মখোয়বু কোইবা পুথোকপনি।

**139.** অহান্বগী পাবগী থাক্তা ওজানা ৱাখল থাদগদবসি

(1) লোন্দুগী ময়েকশিং চিন্‌ফা পুবনি।

(2) পাবদা ময়েক চৎপদুনি।

(3) ময়েক্কা খোন্থোক্কা মরি খংলকপদুনি।

(4) পাবদা চপ-চানা হৈবদুনি।

**140.** তাবা অমসুং পাবসি

(1) লৌশিনবগী হৈশিংবনি।

(2) ঙাংথোকপগী হৈশিংবনি।

(3) অপান্বগী হৈশিংবনি।

(4) খনবা ঙম্বগী হৈশিংবনি।

**141. নৌরিবা অইবশিংগী মশা-মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না ওজাশিংনা হায়বিগদবসি**

(1) মখোয়না ইবদা য়াওবা গ্রামারগী অরান্বাশিংদু ফজনা হায়বিগদবনি ।

(2) মখোয়না ফজনা তৌরিবা থবক্তুদগী মতেক অমা লৌথোক্লগা থাগৎ পিখদবনি ।

(3) অরান্বশিংদু য়েংঙুরনু হায়বনি ।

(4) ক্লাসতা ফজনা ইদবগী grade পিগদবনি ।

**142. মহৌশাদগী হৈজবা লোনগা (Language acquisition) অমসুং অতমননা তম্বা লোনগগী (Language learning) খেৎন্নবদু মখাগী সিদগী করম্বনো ?**

(1) ফজনা হৈবা অমসুং চপ চানা ঙাংবা

(2) লোন ঙাংবা মরক্তা লৈহনবা (Exposure to language)

(3) চপ-চানা ঙাংবা অমসুং মফম

(4) মফম অমসুং খোন্থোক

**143. মমালোনসি লৌশিং গ্যান ওইনা শিজিন্নবদা মখাগী পিরিবশিং সিদগী করম্বনা চুমদবগে ?**

(1) মসিনা অঙাংশিংনা তম্বদা, খনবদা অমসুং ৱা ঙাংনবদা মতেং পাংই ।

(2) মসিনা অঙাংশিংগী ৱাহন্থোক (meaning) পিবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা মরুওইবা মতেং ওই ।

(3) মমালোন্না লাইরিক তম্বদা হেন্না মতেং ওই ।

(4) মসিনা অনিশুবা লোনবু উহন্দে ।

**144. প্রাইমারী থাক্তা মখাগীশিং সিদগী অঙাংগী লোন হেনগৎহনবদা করম্বনা খ্বাইদগী মরুওই ।**

(1) গ্রামরগী লৌশিং

(2) লোন ফজনা ঙাংবা মফম

(3) লোনগী টেক্সবুক

(4) অঙাংগী চাংয়েং

**145. পোর্টফোলিওগী খুদমসি**

(1) মশানা য়েংলগা খংদোকপনি ।

(2) ওজানা য়েংলগা খংদোকপনি ।

(3) মশা অমসুং ওজা অনিমক্না য়েংলগা খংদোকমিন্নবনি ।

(4) স্টেট বোর্দনা য়েংলগা খংদোকপনি ।

146. ক্রোসৱার্দ পজলনা হেনগৎহনবদা মতেং ওইরিবসি

(1) তাবগী হৈশিংবা

(2) ইবগী হৈশিংবা

(3) ৱাহৈ-ৱাতা

(4) ইবা-পাবা থোকপা

147. ঙাংবা খংনবগী চাংয়েংদা মখাগী শিংসিদগী করম্বা য়াওরোইদবগে।

(1) খোন্থোক (sounds) / ৱাহৈশিংগী খোনহায় (pronunciation)

(2) চপ-চাপা ৱাহৈশিং মফমচানা শিজিনবা

(3) ডিক্সনারি অমসুং থেজোরস শিজিন্নবা

(4) ৱাঙাংবদা শেংবা

148. পাবা তম্বীবদা ময়েক্কা খোন্থাক্কা পুন্না তম্বীবগী মওংসি

(1) ডাইরেক্ট মেথদনি।

(2) ফোনিক মেথদনি

(3) হোল (whole) লেঙ্গ্যুজ মেথদনি

(4) পার্ট লেঙ্গ্যুজ মেথদনি

149. টেক্সবুকতগী হেন্না পাবা হায়বসি

(1) টেক্সবুকতগী অহেন্বা মচাকশিং পিবনি।

(2) টেক্সবুক হুন্দোক্লগা অতোপ্পম পাবনি।

(3) লৌশিংসি টেক্সবুকতদা ওইগদবনি।

(4) অঙাংশিং টেক্সবুকতগী হেন্না পারগা ৱাহনলোইদবনি।

150. ওজানা ক্লাস III গী মহৈরোইশিংদা চেখাও (envelope) অমা শানবগী হায়। ওজানা হায়রিবদু তারগা মহৈরোইশিংনা থবক্তু পাংথোকই। মসিগী থৌদৌসিনা মহৈরোইশিংদা মতেং পাংলিবসি

(1) ইবগী হৈশিংবা হেনগৎহনলি।

(2) ঙাংবগী হৈশিংবা হেনগৎহনলি।

(3) তাবগী হৈশিংবা হেনগৎহনলি।

(4) মখোয়গী পূক্লিং ৱাখল শেমগৎ শাগৎপগী হৈশিংবদু হোগৎহনলি।

